# ঈশৈ হায়বসিদি মীওইবগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা আর্ট অমনি... নবা ভোলকেনো





## সুর মৈতৈ



আর্ট হায়বসি শেলনা লৈবা য়াবা নত্তে, শেলতবু মীকাবা আর্টিষ্ট অদুদি মহাক্না হৈজরিবা আর্ট অদু লুখাক কোমদা হৈদোকপগা চপ মান্নে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা এস ঐচ অপাবী অমদি এস ঐচ ওংবী মঙ্গি দেবী অনীগী মচানুপা ৬ অমদি মচানুপী ৩ পুন্না ৯ ফংজবগী মনুংদা অহুমশুবা ওইনা ইং ১৯৫৩ গী ফেব্রুৱারী ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎতা ফংজখিবা মীয়াম্না নবা ভোলকেনো হায়রগা হেন্না খঙনরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা শমুরাইলাৎপম নবা শর্ম্ম শিংজমৈ চোংথাম লৈকাইদা চাউরকপী চোংথাম নিঙোল পুর্নিমাশিগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপী অনী অমদি মচানুপা অমা ফংজখ্রবা নবা ভোলকেনোগা উন্নখিবগী পাউদম খরা...

সুর ঃ মতৌ করম্না কনাগী লমজিং মখাদা ঈশৈগী ফম্পাক্তা খোঙদারকখিবনো?

নবা ঃ ইং ১৯৬৫-৬৬ অদুৱাই ওইগনি, ক্লাস সভেন তম্লিঙৈ মতম ইশাগী চহী ১২ শুরকপা অদুৱাইনি, স্কুলগী ফংঙ্কসন অমদা ঈশৈ শক্লকখি। ঐখোয়গী লৈকাইদা লৈবা ওজা এ শ্যাম শর্ম্ম, ওজা ঐচ নিমাই, ওজা জি ইবোমচা হায়রিবা শক্লাইরবা ওজাশিং অসিনা নুংশিবীদুনা মখোয়না ঈশৈ শকপা মতমদা অঙাংগী ওইবা ঈশৈ শকপা ওইনা হেক-হেক পুবিখি। অসুম্না ওজাশিং অসিগী তুং ইল্লকপদা ওজা বুধনা ঈশৈ শকপা, ওজা তা শর্ম্মনা তল্লা য়ৈবা, ওজা ঐচ নিমাইনা শকপা ঈশৈ কয়া উরু-তারুবদগী ঈশৈগী ইনোৎ অমা লাকখি। ওজা এ বিমোলা অমদি ওজা এ বুধচন্দ্র ঐগী ওইনদি আদি গুরু হায়বদুনি। মখা তারকপদা ওজা এন পহারি, ওজা এ শ্যাম শর্ম্মনচিংবা ওজা কয়াগী মীনুংশি ফংদুনা ঈশৈগী লমদা মহৈ কয়া তানশিনজবা ঙমজহৌবনা ঙসি মীয়াম্না ঐবু নুংশিবীবনি।

সুর ঃ ওজানা রূপ-রাগদা খোঙদারকখিবা অমদি হৌজিক্লা মতৌ করম্না পুন্সি লেনবিরিবগে হায়বগী মতাংদা খরদং থম্বীয়ু।

নবা ঃ ঐনা পামজরুবা লম অসিবু খঙবী-উবীদুনা ঐবু পোকপা পাবুংনা ইং ১৯৬৭ দা রূপ-রাগ স্কুল ওফ ম্যুজিক্তা মীং চনবিখি। মতম অদুদগী রূপ-রাগগী ফম্পাক্তা চেন-চোংদুনা শান্নরকপনা হৌজিক্তি রূপ-রাগগী জেনরেল সেক্রেটরী অমা ওইনা লৈজরি। হৌজিকসি য়াহৌরকপগা ঐগী হুই আগষ্ট অমদি চেষ্টার পুদুনা ৱালকিং চৎপা, হল্লক্লগা ইচা-ইশুগী য়ুমগী কদাইদা করি ৱাংলি হায়না খনবীবগে?

নবা ঃ চপ চাবদি হায়বা ঙমদ্রে, তৌবদবু ঈশৈসি চাউরাক্লা লিশিংমুক্কী ময়াদি চিকপা মখৈ...'' শকখি। মসিগী মমাঙ ঐবু শক্তাকপা হৌরকখিবসি ওজা এ বিমোলাগী '' কননা করি য়েংশিনবা, মসিগী মনুংদা সোসিয়েল পোলিটিকেলগী লমদা বিজেপিগী মেম্বর অমা ওইনা থবক তৌরুবনা তঙাইফদবা অমা ওইনা ওফিসতা চৎলি। মরক-মরক্তা হৈনরুবা আর্টকী শিংফম অসি নুংশিরবা, ফাওরবা ইচাগুম্লবা কলাকারশিংগী মরক্তা অদুম মীয়ামগী শেবা তৌরি, মীয়াম্নসু ঐবু নুংশিবীরি, ঈশৈ হায়বসিনা হকচাংগা থৱাইগা থাদোক্লবা য়াদবগুম ঐগীদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা আর্ট অমা ওইবনা চৎলে চৎ, ফল্লে ফম অদুম চিন্দা ঔরাইদুনা লৈরি। ষ্টেজ মথক্তা কাখৎলকপা মতমদা মীয়াম্না নুংশিবীবা উরগা ঐ চহী য়াম্লে হায়বমখৈ কাউথোকপমখৈ চেন-চোংদুনা লাওরি, খোঙলি ঈশৈগী তান্থাদা, ঐগী অঙাওবা মতৌবু উরগা মীয়াম্না ঐবু হেন্না নুংশিবীরি।

সুর ঃ হৌজিক ফাওবা পুন্না ঈশৈ কয়া শকপীখ্রগে, ওজানা শকপীখিবা ঈশৈশিং অদুদা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না তানিংবা ঈশৈসি করম্বনা ওইশুরম্লগনি। ঙসি ফাওবদা দাসেন্দ্রা ওইনামগী ''উখ্রুলদা ঐগী থৱাই লৈহৌরে, ঐগী থায়নগী কায়নখ্রবীদো, নোংমা খঙহৌদনা থেংনখি... সনা শরক্তা থেংনরকই...'' অমদি এন কিরনগী ''চম্মেলৈ চম্মেলৈ ঐগী চম্মেলৈ, চম্মেলৈগী মমাঙদা পুম্নমক কৎচা...'' হায়রিবা ঈশৈশিং অসিদি ঐনা ষ্টেজ মথক্তা কারকপদা মীয়াম্না পাম্না খনবীরকপা ঈশৈংশিং হায়বদু ওইরি।

সুর ঃ ইশানা শকখিবা ঈশৈগী ময়েকশিং অমদি সুর ইশানা শেমজ-শাজবা ওইবরা?

নবা ঃ ঙল্লে মতমদবুদি ওজাশিংনা সুর পানবীবদা নত্তনা ঈশৈ ময়েক কয়াসু ঐগী ওইনা খুদোল তম্বীরকখি। অদুবু পুন্সিগী অহানবা ষ্টেজ মথক্তা শকখিবা ঈশৈ হায়বা তারগদি ওজা নোংমাইথেম পহারিগী নায়টদা ওজা অসিমক্লা সুর পানবীবা অমদি ওজা সরত অরাম্বমগী ''কপ্লরে মীৎসে কুৎপা মখৈ, নোক্লুরে ইশসে থাগোকপা মখৈ, খল্লি হৌজিকসু কোকৱা হায়রম্লিবনো, লোন্না-লোন্না তপ্লা নাপ্লা চিক্লা ঐদি খঙদে-খঙদে...'' অসিনি। হৌজিকপুদি অয়াম্বনা ইশানা সুর পানজরে।

সুর ঃ ঈশৈ হায়বসি করিনি হায়না শন্দোক্লা তাকপা য়াবগে? ঈশৈগা মীওইবগী পুন্সিগা লৈনরিবা মরী অসি করিনি হায়না হায়বা য়াবগে?

নবা ঃ ঈশৈ হায়বসিদি মপু মানা পীরকপা ইনোৎ অমনি, মসি লৈত্রবদি মীওইবসে ঙাওদুনা চৎকনি। মীওইবনা হিংলিবসে ৱাম্হোক য়াওদবা ওইগনি। মীওইবতা নত্তনা তাইবংপাল অসিদা থৱায় পানবা খুদিংমক ঈশৈনা হিংনবগী মচাক অমা ওইরিবনি। নোংমতা ঈশৈ ঙংদবা মী অদুদি হিংলুবগী মহাও লৈত্রবনি হায়নরিবনি। মীওইবনা পোকপদগী হৌরগা শিবা ফাওবা ঈশৈগা লোয়নদবা য়াদে। লাইফম খুদিংদা ঈশৈ য়াওদ্রবদি লাইনিংথৌরম অদু মপুং ফাবা ঙমদে। খোঙথাং খুদিং সুর-তালগা লোয়ননা চৎমিন্নরিবনি মীওইবা হায়বসি সুর-তাল চাদনা চৎলিবশিং অসিনি খুদোংথিবা নংলিবশিং অসি, অসুম্না ঈশৈ হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গা থানবা শুংয়া য়াদে।

সুর ঃ মতম অসিগী শশৈক্লিবা শৈশক্লিবীশিং অসি মফম কয়াদা তুম্বা-চাবা খঙদনা মীয়ামগী সেবা তৌরি, অদুবু লাইবক থিবা হায়গদ্রা শৈশক্লিবা শৈশক্লিবী খরদি শেঞ্জাও পায়বশিংগী তুংইন্দুনা চৎলি হায়বসু করিগুম্বা মতমদা তাবা ফংই। মসিগী মতাংদা করি মত লৈবগে?

নবা ঃ ঈশৈবু পামজবা শৈশকপা শৈশকপী কয়া অমা লৈ, অদুবু মীয়াম্না তান্নরিবা আর্টিষ্টতি খরদমক ওইরি। হায়রিবা খরা অসিগী মনুংদা অনম্বনা নোংমদা ঈশৈ মফম য়াম্না লৌশিনবনা পোল্লেম কয়া থোক্তবা নত্তে, ম্যুজিক খোংলি-থিল্লিবা কাঙবুসু পুন্না ২৫ মুক্কি মখোয়সু লোয়না হিংদবা য়াদে হায়দুনা হোৎনরি, ওর্গনাইজেসন কয়া পুথোক্তুনা হোৎনরি। শৈশকপদি অকক্ক বনিনা দিমান্দনা হেল্লি, শৈশকফম খুদিং থুংনা চৎনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱা-অনা, খৎন-চৈনবা, নুংশিনদবা থৌদোক কয়া মায়োক্লদবা নত্তে। ঈশৈ হায়বসি মফম লান্না শিজিন্নখিবদা মগুন লোয়না মাঙখিগনি। ওক্তবা-ওক্তবী ওইদুনা নোরোক্তা তাখিনি। হৌজিক মতমগী শৈশক্লিবা-শৈশক্লিবীশিংনা মসি খঙনা চৎলবদি তুংদা অফবা ওইগনি।

সুর ঃ আর্টিষ্টশিংনা ঈশৈ শকফমদা মখোয়-মখোয়না হান্না শক্লবা হোৎনরিবা অমদি মখোয়বু তরেৎ তরা থোক্লা তাকপী তম্বীবা ঙম্বা কয়াবু থৌওইদবা মানবা অমা হেক-হেক থেংনৈ মসিগী মতাংদা করি মত পীবিনিংবগে?

নবা ঃ কান্নদবা ৱা য়াম্না ঙাংবা মীসি মীনা উৎশিতবনি। নোংমদা ঈশৈ য়াম্না শক্লগা তুং কোয়না শৈশকপা ওইগনি হায়বদি লানগনি। নোংমদা ঈশৈ মফম অমা অনীখক মপুং ফানা নীংথিনা শকপনা মখোয়গী মগুন হেনগৎকনি, মীয়াম্না য়াবা হায়বদু ওইগনি। মখোয়নদি হায়গনি মীয়ামগী পেন্নবা তৌবা হায়না, কদাই ফাওবা পেন্নবা তৌবা ঙম্লবগে হংলুরবদি পাউখুম লৈরোই। শেলতবু মীহৌবনা নোংমদা মফম য়াম্না চৎনবা হোৎনবা আর্টিষ্ট লৈতবা নত্তে মখোয় অদুদি মখোয়না হৈজরিবা শিনফম অদু লুখাক কোমদা হৈদোকপগা চপ মান্নে হায়নিংই। মখোয়না হান্না শক্তবা য়াদে হায়বগী প্রোগ্রাম শিল্লিবশিংদা ৱানোম্বা হায়গদ্রা, প্রেসর পীশিনবা হায়গদ্রা মকোক শাহল্লি। আর্টিষ্ট অমদি মখোয়গা লোয়নরক্লিবশিং অদুনা শৈশকফমদা লৈরম্লিবা আর্টিষ্টশিং অমদি অহলশিং য়াওনা উশিৎতবা মানবা থৌওং কয়ানা থকশি-খাশি খঙলক্তবা হায়বদো ওইরকই। মখোয়গী মতৌ কয়া অদুবু উরগা ফর-ফরবা ওজাশিং ঙসিদি ষ্টেজ মথক্তা খোঙদানিংদ্রে। শকচনিংবা অঙাংশিংবু পুথোকপীনবগী ৱাখল্লোন ৱাৎপনা অনৌবা আর্টিষ্ট কয়া মখোয়গী মতুং ইল্লুবদগী লম্মখাংদা মাংদবসু নত্তে।

সুর ঃ অফবা শৈশকপা-শৈশকপীনি হায়বসি করম্না হায়গদৌরিবনো?

নবা ঃ শৈশকপা হায়বসি অমরোমদা অঙাওবা হায়বনি। নিংথৌকোন্দা হৌরকপা শ্রী ঙাংবম নিমাইনা কোলকতাদা গ্রামোফোন রেকোর্ড তৌরগা শকখিবা ''জাতি কৌবী লৈনুংশি, লৈরাংলক্তগী অথোইবী...'' হায়রিবা ঈশৈ অদুনা লৈবাক মীয়ামদা ঙাওহন্দুনা মহাক্কী শক্তম অমা কনবা ঙমজখি। অদুবু মতমদুদা শ্রী নিমাইগা মান্ননা শকপা ঙম্বা শ্রী নোবিনদি লাইরা কোন্দা পোকখিবা গ্রামোফোন রেকোর্ড তৌবা ঙমজদবা শৈশকপা অসিবুদি মীয়াম্না কৌতা পায়বা অঙাওবা শৈশকপা অমনি হায়নখি। কাওবা য়াররোইদবা অশেংবা ৱারীনি। অফবা শৈশকপা-শৈশকপী হায়বসি মখোয়-মখোয়না শক্লিবাঈশৈ অদুনা সমাজ অসিদা কান্নবা পীবা, অফবা পুরকপা অমদি তুং কোয়না মীয়াম্না শোন্নহনবা ঙম্বা অসিসু অমা ওইগনি।

সুর ঃ ওজানা ঈশৈবু পামজবা, ঈশৈদা ঙাওজবা অমদি ঈশৈগীদমক মতম পুম্বদা খঞ্জবা কয়া অসি উরগা তুংগী আশা লৈরিবা আর্টিষ্ট কয়াগী থৌনা হাপ্লা ওইরসনু। খঙনিংবা হংনিংবা ৱাফমদি কয়ানি। মতম্না কনাসু ঙাইবীদবনা মথং খুদোং চাবা অমদা অমুক মখা তানা উন্নজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজগে।

নবা ঃ মতমগী খোঙচৎতা খোং থাংলিবা হায়বদো ওইবনা ফোঙদোক্লিংবা ৱাফম কয়াদি ফোঙদোকপা ঙমখিদ্রে। সুর অমদি পাউচে অসিনা ঐবু নুংশিবীদু নীংশিংবীরকপা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।











Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com